# অধারগী মতেংনা শাশিন্নবা রসন কার্দ ক্রোর ৩ লোম খঙদোকপা ঙম্লে : মিনিষ্টর




ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি): বি জে পিনা লূচিংবা এন ডি এনা চহী অহুম লৈঙাক পায়রকপদা অশাবা রসন কার্দ ক্রোর ৩ হেন্না কেন্সেল তৌবা ঙম্লে হায়না মিনিষ্টর ফোর ষ্টেট ফোর কঞ্জুমর এফেয়র্স, ফুদ এন্দ পব্লিক ডিষ্ট্রিব্যুসন, সী আর চৌধরিনা ফোঙদোকখ্রে।

শাশিন্নবা রসন কার্দশিং কেন্সেল তৌখিবগী থৌওং অদুনা লৈবাক্কী ওইনা লুপা ক্রোর ১৭,০০০ কনবা ঙম্লে। রসন কার্দ অমদি অধার লিঙ্ক তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবদগী শাশিন্নবা চে-চাংশিং ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ঈ-গভর্নান্সকী মতাংদা পাঙথোক-খিবা ২১ শুবা নেসনল কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা অপূনবা রসন কার্দ ক্রোর ২৩ গী মনুংদা চাদা ৮২ (ক্রোর ১৯) অধারগা লিঙ্ক তৌহনবা ঙম্লে। শাশিন্নবা রসন কার্দ ক্রোর ২.৯৫ থেংনবদগী কেন্সেল তৌদুনা চহীদা লুপা ক্রোর ১৭,০০০ কনবা ঙম্লে।

মীয়ামগী চাকথুং মতম চানা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, ঈ-গভর্নান্সকী মতেং লৌরগা লৈবাক অসিদা লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক থৌওংশিং লায়থোকহল্লগনি। মপান লৈবাক্তা শেল কয়া য়াম্না ইনভেষ্ট তৌবগে হায়বদুসু অরায়বা মওংদা খঙদোকপা ঙম্লগনি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা টেলঙ্গনাগী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর কে টি রামা রাওনা হায়খি, চহী ৭ কী মমাঙদা ষ্টেট অসিদা 'এম ঈ-সেবা' সেন্টর হাংদোকখ্রবা মতুংদা নুমিৎ খুদিংগী ট্রাঞ্জেক্সন লাখ ১.৫ তৌবা ঙম্লে। হৌজিক ফাওবদা পূন্না ট্রাঞ্জেক্সন ক্রোর ১০ হেন্না তৌখ্রে। গভর্নমেন্টকী সর্ভিস ১৮০ কোনশিন্দুনা প্রোজেক্ট অসি পাকথোক-চাওথোকহল্লগনি। লুপা ক্রোর লাখ ১.২ থাদদুনা ষ্টেট ইন্দষ্ট্রিয়েল পোলিসি থবক্তা ওন্থোক্লগা মীওই লাখ ৩ থবক পীনবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা য়ুনিক আইদেন্টিফি-কেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই ডি এ আই) না ঙসি চহী মঙা শুদ্রিবা অঙাংশিংদা অধার কার্দ পীবগী থৌরাং অমা হৌদোকখ্রে। চহী মঙা শুদ্রিবা অঙাংশিংদা 'বাল অধার' পীবা তারবসু অঙাং অদুনা চহী মঙা মপূং ফারকপা মতমদা বাইওমেট্রিক দেটা নৌনা অমুক অপদেট তৌবা মথৌ তাই হায়না য়ু আই ডি এ আইনা ফোঙদোকখি।

# মেঘালয়া, নাগালেন্দদা ঙসি মীখল পাঙথোক্লগনি

## কনষ্টিট্যুয়েন্সি পূম্নমক্তা অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ভোট থাদনগনি

শিল্লোং/কোহিমা, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি): অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট অনী মেঘালয়া অমসুং নাগালেন্দদা হয়েং এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্লবগীদমক শেম-শাবা লোইখ্রে। নাগালেন্দগী মনুং হঞ্জিনবা মফম খরখক নত্তনা কনষ্টিট্যুয়েন্সি পূম্নমক্তা অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ভোট থাদনগদৌরি।

ষ্টেট অনীমক্কী এসেমব্লিদা অপূনবা সীট ৬০ লৈবা তারবসু কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৫৯ দা মীখল পাঙথোক্কনি। মেঘালয়াগী ৱিলিয়মনগর এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ জোনাথন এন সংমা লৈখিদবা মরম্না কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিগী মীখল য়ৈথোকপা তাখি। নাগালেন্দগী ওইনদি এন ডি পি পিগী লূচিংবা নৈফিয়ু রিও লম্বা য়াওদনা নোরদর্ন অঙ্গামি-২ কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাক্লে হায়না মাঙজৌনননা লাউথোকপা লৈখ্রে।

ষ্টেট অনী অসিগী এসেমব্লি মীখলগী ফন্দ মার্চ ৩ দা ত্রিপুরাগা লোয়নননা লাউথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। মেঘালয়া অমসুং নাগালেন্দদা মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোম্লবগী থবক ঙরাং নুংথিল লোইশিনখ্রবনি। অসাম, মণিপুর অমদি অরুনাচল প্রদেশতা লৈঙাক শেম্বা ঙমখ্রবা বি জে পিনা অৱাং নোংপোক লমদমগী অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু লৈঙাক পায়নবা থৌরাং কন্না লৌখৎখি।

কোংগ্রেসকী ওইনদি মেঘালয়াদা হৌখিবা চহী ১০ লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা মরম্না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা অমুক হন্না মায় পাক্তুনা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লগনি হায়না মাঙজৌনননা লাউথোকপা লৈখ্রে। অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদা বি জে পিনা মেঘালয়াদা কোংগ্রেস মায়থীবা পীনবা অকনবা থৌরাং লৌখৎখি। ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা কনষ্টিট্যুয়েন্সি পূম্নমক্তা অকনবা লম্বা পাগদৌরি।

কোংগ্রেসকী ওইনা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৫৯ দা মীরেপ থাদোকখিবা তারবসু বি জে পিগী মীরেপ ৪৭ থাগৎলি। মেঘালয়াদা তোঙান-তোঙান্না মীরেপ থাদোক্লবা তারবসু লোক সভাগী স্পীকর ওইরম্বা পি এ সংমাগী মচানুপা কোনরেদ সংমানা লূচিংবা নেসনল পীপলস পার্টি অমসুং বি জে পি পূল্লগা নোর্থ ইষ্ট ডেমোক্রেটিক এলাইন্সতা চৎমিন্নরি।

নাগালেন্দদা বি জে পিনা নৈফিয়ু রিওগী নেসনেলিষ্ট ডেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি (এন ডি পি পি) গা খূৎশম্নদুনা লৈঙাক পায়নবা থৌরাং লৌখৎলি। ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা সীট ২০ দা মীরেপ থাগৎপগা লোয়নননা এন ডি পি পিনা লেমহৌরিবা সীট ৪০ দা মীরেপ থাগৎলি। নাগালেন্দনা কুমজা ১৯৬৩ দা ষ্টেটহুদ ফংখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর অহুম পুথোকখ্রবা কোংগ্রেসনা শুপ্নগী সীট ১৮ খক্তা মীরেপ থাদোক্লি। ষ্টেট অসিদা নুপা ভোটর ৬,০১,৭০৭ অমসুং নুপী ভোটর ৫,৮৯,৮০৬ য়াওনা অপূনবা ভোটর ১১,৯১,৫১৩ না ভোট থাদনগনি।



# বির সবারকর লৈখিদবগী ৫২ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি): মীয়াম্না বির সবারকর হায়না নুংশিনা মীঙ্গৌনবা বিনায়ক দামোদর সবারকর লৈখিদবগী ৫২ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। মরৈবাক নীংবা অথৌবা অদুগী মফমদা মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্লখি।

কুমজা ১৯৬৬ কী ফেব্রুৱারি ২৬ তা সবারকর অরোইবা য়াহিপ তানখিবনি। বৃটিশ ওফিসল অহুম হাৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা সবারকরনা লৈবাক্কী নীংতম লালহৌদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। নীংতম্বা ফংলবা মতুংদসু অতোপ্পা লাইনিং লম্বী নমদুনা চৎহনখ্রবা মীওই কয়া হিন্দু লাইনিংদা অমুক হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা সবারকরনা হনবা লৈতনা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা সবারকরসু মরাল লৈ হায়না চার্জ সীট থাঙ্গৎপা লৈখি। অদুবু অকোনবদা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখি। ইন্দিয়া হাউস কৌবা রেভল্যুসনরি গ্রুপ অমগা মরী লৈনৈ হায়বগীদমক কুমজা ১৯১০ দা সবারকর ফাজিনখি। মতমদুদা মহাকপু মার্সেলিসতগী পুদুনা চৎপদা কষ্টদিদগী নাম্থোক্লবা হোৎনরুবগীদমক পুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা থম্নবা ৱায়েল পীখি।

অন্দমান এন্দ নিকোবার আইলেন্দদা লৈবা সেলুলর জেলদা চহী ৫০ গী মীয়াৎ তাদুনা থমখিবা সবারকরবু কুমজা ১৯২১ দা থাদোকখি। কুমজা ১৯৩৭ তগী কুমজা ১৯৪৩ ফাওবা হিন্দু মহাসভাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সবারকরনা বৃটিশ এম্পায়রগী মায়োক্তা খূৎলায় পায়বগী লালহৌ অমা শাগৎখি। বৃটিশ এম্পায়রগী মায়োক্তা লান হৌই হায়বগী মরালদা মহাকপু কুমজা ১৯০৯ দা ফারগা ইন্দিয়াদা পুরকপগী লম্বীদা জহাজদগী চোংথরগা চেন্নবা হোৎনখি অদুবু সমুদ্রা মপান্দা অমুক হন্না ফাখি।

ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা ইন্দিয়াদা শোক্ল-শম্নবা য়াদবগী চৎনবী অমা লৈরকখিবগী মায়োক্তা অকনবা খোল্লাউ লাউদুনা লাকখিবা সবারকরনা হরিজনশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনদুনা লাকখি।

পনবা য়াবদি, সিব সেনাগী লূচিংবা উধব থাক্রেনা লৈবাক্কী নীংতম লালহৌদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা বিনায়ক দামোদর সবারকরদা ভারত রত্না পীনবা ৱাফম তকশিনবা লৈখ্রবনি। সবারকরগী মতাংদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা সিব সেনাগী প্রসিদেন্টনা হায়খি, খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ ওইরিবা ভারত রত্না পীবদা খ্বাইদগী মতিক চারবা মীশক্তি ফ্রীদম ফাইটর বির সবারকরনি। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামগা লোয়নননা অকনবা খোল্লাউ লাউদুনা সবারকরদা ভারত রত্না পীহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।



# নিরাব মোদিগী মপান লৈবাক্তা লৈরিবা লন-থুম ফাজিন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে

*মুম্বাই, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি): পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক (পি এন বি) কী ৱাথোক্তা চেন্নরিবা নিরাব মোদিগী মপান লৈবাক্তা লৈরিবা লন-থুম পূম্নমক মশক খঙদোক্লগা ফাজিন্নবগী মতাংদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক তরুক্তা লেট্টর্স রোগেটরি (এল আর) থাখিনবা মুম্বাইগী স্পেসল কোর্ট অমনা ইনফোর্সমেন্ট ডিরেক্টরেট (ঈ ডি) দা অয়াবা পীখ্রে।*

*লুপা ক্রোর ১১,৪০০ পি এন বিদগী নমথাক তৌরগা লৌথোকখিবগী ৱাথোক থিগৎলিবা ঈ ডিনা লেট্রর্স রোগেটরি থানবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়না ৱাকৎলকখ্রবা মতুংদা কোর্টনা অয়াবা পীখিবনি। প্রীভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ) কী কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবা পীটিসন অমদা ঈ ডিনা হায়খি হোং কোং, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, সাউথ অফ্রিকা, য়ুনাইটেদ কিংদম, সিঙ্গাপোর অমসুং য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসতা লৈরিবা নিরাম মোদিগা মরী লৈনবা বিজনেস অমদি লন-থুম পূম্নমক ফাজিন্নবগী মতাংদা লেট্রর্স রোগেটরি থানবগী অয়াবা পীফম থোকই। লেট্রর্স রোগেটরি হায়বসি মনীং মখা তম্বা লৈবাক অমগী কোর্ট অমনা অতোপ্পা মনীং মখা তম্বা লৈবাক অমগী কোর্টতা থাবা হায়জবগী ৱারোল য়াওবা চেরোল অমনি।*

*স্পেসল পব্লিক প্রোসিক্যুটর হিতেন ভেনিগাউনকরগী ৱারোল তারবা মতুংদা পি এম এল এ কোর্টকী জজ এম এস অজমিনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক তরুক্তা লেট্টর্স রোগেটরি থাবগী ৱাফম অয়াবা পীখিবনি। ঈ ডিনা কোর্টনা ফাইল তৌরকখিবা পীটিসন অমনা হায়খি মদুদি নিরাব মোদিনা ডাইমন্দ আর য়ু এস, সোলর এক্সপোর্টস, ষ্টেলর ডাইমন্দ অমসুং ফায়রষ্টার ডাইমন্দ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ফার্ম কয়া মপান লৈবাকশিংদা লীংখৎতুনা লল্লোন ইতিক্কী থবক তৌরি।*

*হোং কোং, য়ু এস এ, য়ু কে, য়ু এ ঈ, সাউথ অফ্রিকা অমসুং সিঙ্গাপোর য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াদা হাংদোক্লিবা নিরাব মোদিগী বিজনেস ইষ্টাব্লিসমেন্ট পূম্নমক থিংজিনবগা লোয়নননা মরল-মথুম পূম্নমক ফাজিন্নবা মরী লৈনবা লৈবাক পূম্নমক্তা লেট্টর্স রোগেটরি থাবা মথৌ তাই হায়না ঈ ডিনা কোর্টতা ৱাকৎখিবনি।*

# কর্নাটকাদা শেঞ্জা-থুমজাগী থবক হেনগৎলক্লি : অমিত সাহ




কালাবুরাগী, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি): কর্নাটকাদা সিদারাময়াগী লৈঙাক মতমদা শেঞ্জা-থুমজাগী থৌওং হেনগৎলক্লে হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী প্রসিদেন্ট অমিত সাহনা মরাল শীখ্রে। কর্নাটকাগী কালাবুরাগীদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্না হায়খি, হীরম খুদিংমক্তা কর্নাটকা গভর্নমেন্ট ফেল ওইরে হায়না লৌবা য়াই। শেঞ্জা-থুমজাগী থৌদোক মশিং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লে।

সিদারাময়াগী লৈঙাকপু মপূং ফানা শৌগৎলিবা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) অমদি মসিগী পোলিটিকেল ৱিং সোসল ডেমো-ক্রেটিক পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এস ডি পি আই) থিংজিনগদবনি হায়না বি জে পিনা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

অমিত সাহনা হায়খি, পি এফ আই অমসুং এস ডি পি আইগী মথক্তা লৌখৎলম্বা কেস কয়া ৱিথদ্রো তৌখিবগী মওং অদুনা মরম ওইরগা সিদারাময়ানা লূপ অনী অসি মপূং ফানা শৌগৎলে হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।

ষ্টেট অসিদা পি এফ আইনা বি জে পি অমসুং রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক শঙ্ঘ (আর এস এস) গী থৌমী হাৎখ্রে হায়নসু বি জে পিনা মরাল শীদুনা লাকখিবনি। ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল মতুং তারকপদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অমুক হল্লক্লরোই হায়না পল্লদুনা অমিত সাহনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা চীফ মিনিষ্টর সিদারাময়াগী লৈঙাক শোয়দনা লুপখ্রগনি।

কুমজা ২০২২ ফাওবদা কর্নাটকা খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা লায়রবশিংগী য়ূম শোয়দনা লৈহল্লগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌখৎলকপা অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা ময়ূম লৈজদবা মীওই খুদিংমক্কী য়ূম শানবা হোৎনরি হায়নসু অমিত সাহনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নরেন্দ্র মোদিবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইবদা খ্বাইদগী মতিক চাদবা মীশক্তি হায়না সিদারাময়ানা ফোঙ-দোকখ্রে। মীখল পাঙথোক্কদৌরবা কর্নাটকাদা অনীরকশুবা টর্মগী চীফ মিনিষ্টর ওইনবা থৌরাং লৌখৎলিবা কোংগ্রেসকী লূচিংবা অসিনা হায়খি, কর্নাটকা অমসুং ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর অমা ওইনা করিগুম্বা মখলগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তবা হায়বসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি। মতিক চাদ্রবা মীওই অসি মখা তানা প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনবগী মথৌ তাদ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মরাল লৈজদবা মীচম মীয়াম্বু নুমিৎ চুপ্পা ক্যু লেপহন্দুনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লহনখি। শেঞ্জাও পায়বা নিরাব মোদিনা য়াম্লবা শেনফম অমা নমথাক তৌদুনা পুখিবদদি প্রাইম মিনিষ্টরনা করিসু তৌবা ঙমখিদে।

# পাকিস্তাননা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ঙমখৈদা লৈবা খুঞ্জাশিং লাঞ্জেন্নখ্রে

জম্মু, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি): পাকিস্তানলোমদগী মোর্টার রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকপা মরম্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী য়ুরি সেক্টরদা লৈরিবা সিলিকোট খুঙ্গংগী খুঞ্জা অয়াম্বা ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমদা লাঞ্জেন্নখ্রে। লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক নক্লা লৈরিবা মীওইশিং অহানবদা বঙ্কর মনুংদা চঙদুনা লৈরম্মী। অদুবু নুপী অঙাংশিংনা বঙ্কর মনুংদা লৈবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপদগী তঙাইফদনা ময়ূম-মকৈ থাদোক্লগা শাফগদবা মফমদা লাঞ্জেন্নখিবনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

লাইন ওফ কন্ট্রোল অমদি ইন্টর-নেসনল বোর্দরদা য়াম্না তোয়না য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোক্লবসু মহৌশানা য়ুরিদা ইং-তপ্পা ফিভম ওইদুনা লাকখি। অদুবু ইখঙ-খঙহৌদনা ফেব্রুৱারি ২০ দগী হৌনা মফম অদুদসু পাকিস্তাননা নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকখি। কুপৱারা ডিষ্ট্রিক্টতা পাকিষ্টানি আর্মিনা বি এস এফকী জৱান অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মতুংদা মফম অদুগী মীয়াম পূক্নিং লৈতানা হিংবা ঙমখিদে। মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়খি মদুদি য়ুরি সেক্টরগী লাইন ওফ কন্ট্রোলদা হৌজিকসু ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী লান্মীশিং মরক-মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোক্লি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতসু য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিং এল ও সী মনাক্তা নোংমৈ কাপ্নখি। কুমজা ২০০৩ দা নাকল অনীনা সীজফায়র এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখিবা তারবসু ঙমখৈদা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তি মরক মরক্তা অদুমক থোক্লি। ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি নোর্থ কাশ্মিরগী খুঙ্গং ৫৫ দা লৈবা খুঞ্জা ৫০,০০০ রোম ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমদা লাঞ্জেন্নখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈবা মীচম অহুম অশোক-অপন নংখিবগা লোয়নননা য়ূম মঙা অমাঙ-অতা থোকখ্রবা মতুংদা মীওই কয়া ময়ূম থাদোক্তুনা চেন্নখিবনি। ইরাই নুমিৎতা লৈবাক অনীগী ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিং খূৎ থোক্লরকখ্রবা মতুংদা মীপাইরবা খুঞ্জাশিংনা সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনদা টেলিফোন তৌদুনা মতেং পাংবীনবা হায়জরকখি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রুরেল ডিভলপমেন্ট পঞ্চায়টি রাজ অমসুং লো এন্দ জষ্টিস মিনিষ্টর অব্দুল হকনা হায়খি, ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবা খুঞ্জাশিং মশা মশাগী ময়ূমদা অমুক হঞ্জিলহন্নবা লৈঙাক্লা অকনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। য়ুমশকৈশা নুমিৎতসু পাকিস্তাননা তংধার সেক্টরদা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন আর্মিনসু খূৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নখি হায়না আর্মিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা সী এন এন-ন্যুজ ১৮ গী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি বন্দিপোরা ডিষ্ট্রিক্টতা খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্ট অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা থোকখ্রে। খূৎলায় পায়বা মীওই খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হাজিনগী পারিবাল খুঙ্গং কোয়শিন্দুনা থিব-হুন্বগী থবক চথুরব্বদা নাকল অনী খূৎ থোক্লরকখিবনি।

অমরোমদা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ওফিসল অমনা ফেব্রুৱারি ২১ দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা নেসনল এন্থেম ইকায়খুম্নখিদে হায়বা ৱাফম অমগী মতাংদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মতিক চাবা মরম পীরক্লবা মরী লৈনবা ওফিসর অদুদা খঙহনখ্রে। ফেব্রুৱারি ২১ দা গভর্নর এন এন ভোরানা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা জম্মু এন্দ কাশ্মির লিটরেসি এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেলদা ওফিসর অমনা নেসনল এন্থেম ইকায়খুম্নদবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। ওফিসল রিপোর্ট অমনা হায়খি, থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা একাদেমি ওফ আর্ট, কলচর এন্দ লেংগ্বিজেসকী ওফিসর সয়িদ ইফতিখা অহমদতা মতিক চাবা মরম পীরক্লবা খঙহনখ্রে। নুমিৎ অদুদা থৌরম পাঙথোকপা হৌরকপদা নেসনল এন্থেম শক্লকপা মতমদা অহমদনা লেপখৎখিদবগা লোয়নননা নেসনল এন্থেম ইকায়খুম্নখিদবগী মতাংদা মতিক চাবা মরম পীরক্লবা খঙহনখিবনি।

ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বিজ ডেগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু গভর্নরনা হৌদোক্লবা মতুংদা নেসনল এন্থেম শকখি। অদুবু ওফিসর অদু অদুমক ফমদুনা লৈখি হায়রি। ফেব্রুৱারি ১১ দসু নেসনল এন্থেম ইকায়খুম্নখিদে হায়বগীদমক কাশ্মিরী নহা অনী ফাবা লৈখ্রবনি। সিনেমা হোলদা ফিল্ম উৎপা হৌরমদাইদা নেসনল এন্থেম শক্লকপা মতমদা ফমদুনা লৈ হায়বগীদমক নহা অনী অদু ফাখিবনি।




**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, VIII (TBL) DSLR-Manipur**

*Ref:- Mut. Case No. 103/AS&SO/VIII(TBL)* *Dated : 23/02/2018*

1. Okram Umakanta Singh S/o (L) O. Shamu Singh of Thoubal Achouba.
2. Sanasam Shyam Singh S/o (L) S. Biren Singh of Sabantongba Mayai Leikai.

*-Petitioners*

-Vrs-

(Late) Okram (N) Ngangom (O) Thabi Devi W/o (L) Manihar Singh of Thoubal Achoua Co-Pattadar No. 1.

*-O.P.P.*

**ꯈꯪꯍꯟ/NOTICE**

Dt. 23/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ২৮-থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং ৩৩৩/অং (অরিবা) পাট্টা নং ৫২৭/১৬৪৮ (অনৌবা) দাগ নং ৩০৫১/৩২৭৮ এরিয়া ০.০২০২ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নমা পাল্লিবা কো: পাট্টাদার ১শুবা মৃ:তু ওইখ্রে। মৃ:তু পাট্টাদারগী মমীং কক্লগা অপুনবা এরিয়া ০.০২০২ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী মনুংদগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মৃ:তু পাট্টাদার কো: ১শুবগী ফংফম থোকপা এরিয়া ০.০১২১ হেক্তরগী লম অসি মৃ:তু পাট্টাদারগী মশুশিংগী মমীংদা নমা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি তাং ৫/০৩/২০১৮ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Th. Shantikeshwar Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer, VIII (TBL)- DSLR- Manipur

*HL-P/651/27*



**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER III, LAMPHELPAT**

*Ref:- Mut. Case No. 40/AS & SO III* *Dt. 26/02/2018*

1. Chongtham Johnson Singh S/o (Late) Jugindro Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal Makha Leirak.
2. Oinam Sony W/o (Late) Jugindro Singh of –do–.

*..... Petitioners*

-Vrs-

Chongtham Jugindro Singh S/o Ch. Surendra Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal.

**ꯈꯪꯍꯟ/NOTICE**

Imphal, Dt. 26th February, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ২৭-ৱাংখৈ নোংপোক্কী পাট্টা নং ৩৪১/অংশ অরিবা, ৪৭৭/(B) অনৌবা, হাল দাগ নং ১১০৩/(B) এরিয়া ০.০১৭২ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদার অসিগী মাগী মচানিপা অমসুং মাগী নুপী মখোয় অনীদা নামা ওনবীরো হায়দুনা AS & SO III গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিশুবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা আপত্তি (ওবজেক্সন) থারকপা য়াগনি। নৎত্রবদি নুমিৎ তরেৎনি হেক শুবগা আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথুজরগনি।

*Sd/-* **Assistant Survey & Settlement Officer III, Lamphelpat, Manipur**

*HL-P/647/27*



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI**

*Ref:- Mut. Case No. 244/SDC/IW(P) of 2018*

Leishangthem (O) Bilashini Leima W/o (L) L. Lukhoi Meitei of Yurembam Awang Leikai.

*-Petitioner*

-Vrs-

Late Leishangthem Lukhoi Meitei S/o (L) Angangyaima Singh of Yurembam Awang Leikai.

*-Deceased Pattadar*

**ꯈꯪꯍꯟ/NOTICE**

26/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৭৯-য়ুরেম্বমগী পাট্টা নম্বর ৮ (অরিবা), ৮২০/১০১৭ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৫৪০/৬৩১ গী পোইন্ট ০.১২৫ একরগী ইঙ্খোল লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৮/০৩/২০১৮ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথুরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

*HL-P/652/27*